# মণিপুরদগী বিচু দেবী খারিবম অমসুং নিলাকান্ত শর্ম্মা হোক্কী ইন্দিয়াগী ৮শুবা এন্যুয়েল এৱার্দকী নোমিনিশিং লাউথোকপদা য়াওরে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সি)ঃ
২০২৫ সিজনদা ইন্দিয়ান হোক্কীদা শীংথানিং ঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীখিবা অমসুং মশান্না অসিগা মরী লৈন্না পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংবু শক খঙবা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা থা অসিগী ২৭তা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কী ইন্দিয়া ৮শুবা এন্যুয়েল এৱার্দ ২০২৫কী নোমিনিশিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী বিচু দেবী খারিবম অমসুং নিলাকান্ত শর্ম্মা য়াওখ্রে।

লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা বিচু দেবী খারিবম হোক্কী ইন্দিয়া বলজিৎ সিংহ এৱার্দ ফোর গোলকিপর ওফ দি ইয়র ২০২৫কী নোমিনি মরিগী মনুংদা য়াওখিবগা লোয়ননা নিলাকান্ত শর্ম্মনা হোক্কী ইন্দিয়া অজিৎ পাল সিংহ এৱার্দ ফোর মিদফিল্ডর ওফ দি ইয়র ২০২৫কী নোমিনিদা য়াওবা ঙমখিবনি।



হোক্কী ইন্দিয়া বলবির সিংহ সেনিয়র নুপা অমসুং নুপীগী প্লেয়র ওফ দি ইয়র, জুবরাজ সিংহ এৱার্দ ফোর অপকমিং প্লেয়র ওফ দি ইয়র (মেন অন্দর–২১) অমসুং হোক্কী ইন্দিয়া অসুন্তা লক্রা এৱার্দ ফোর অপকমিং প্লেয়র ওফ দি ইয়র (ৱুমেন অন্দর–২১), হোক্কী ইন্দিয়া বলজিৎ সিংহ এৱার্দ ফোর গোলকিপর ওফ দি ইয়র, হোক্কী ইন্দিয়া পরগট সিংহ এৱার্দ ফোর দিফেন্দর ওফ দি ইয়র, হোক্কী ইন্দিয়া অজিৎ পাল সিংহ এৱার্দ ফোর মিদফিল্ডর ওফ দি ইয়র অমসুং হোক্কী ইন্দিয়া ধনারাজ পিলে এৱার্দ ফোর ফোরৱার্দ ওফ দি ইয়র হায়না কেটেগোরি ৮দা পীগদৌরিবা অসিগীদমক পুন্না নোমিনি ৩২ হোক্কী ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

কেটেগোরি ৮ অসিগী মথক্তা থৌরম অসিদা হোক্কী ইন্দিয়া প্রসিদেন্ট এৱার্দ ফোর আউটষ্টেন্দিং এচিভমেন্ট, হোক্কী ইন্দিয়া জমন লাল শর্ম্মা এৱার্দ ফোর ইনভেল্যুএবল কন্ত্রিব্যুসন, হোক্কী ইন্দিয়া প্রসিদেন্ট এৱার্দ ফোর অম্পয়র। অম্পয়র মেনেজর ওফ দি ইয়র, হোক্কী ইন্দিয়া প্রসিদেন্ট এৱার্দ ফোর টেক্নিকেল ওফিসিয়েল ওফ দি ইয়র অমসুং বেষ্ট মেম্বর য়ুনিট এৱার্দনচিংবা কয়া পীদুনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াবু ইকায় খুম্নবা উৎক্কদৌরি।

থৌরম অসিদা মমাঙ চহীদা বিহারনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা হিরো এসিয়া কপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবা ইন্দিয়াগী মেন'স হোক্কী টিম অমসুং তামিল নাদুনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ হোক্কী মেন'স জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র মেন'স হোক্কী টিমসু ইকায় খুম্নবা উৎক্কদৌরি।

৮শুবা হোক্কী ইন্দিয়া এন্যুয়েল এৱার্দ ২০২৫কী নোমিনি লাউথোকপদা য়াওখ্রবশিং অদুদি হোক্কী ইন্দিয়া বলজিৎ সিংহ এৱার্দ ফোর গোলকিপর ওফ দি ইয়র ২০২৫দা প্রিন্স দিপ সিংহ, ক্রিসন বহাদুর পথক, বিচু দেবী খারিবম অমসুং সুরজ করকেরানি।

হোক্কী ইন্দিয়া পরগট সিংহ এৱার্দ ফোর দিফেন্দর ওফ দি ইয়র ২০২৫কী নোমিনি লাউথোকপদা য়াওখ্রবশিং অদুদা সঞ্জে, অমিৎ রোহিদাস, জুগরাজ সিংহ অমসুং হরমনপ্রিট সিংহনি।

হোক্কী ইন্দিয়া অজিৎ পাল সিংহ এৱার্দ ফোর মিদফিল্ডর ওফ দি ইয়র ২০২৫ লাউথোকপদা য়াওখ্রবা নোমিনিশিং অদুনা হার্দিক সিংহ, সুমিট, রাজ কুমার পাল অমসুং নিলাকান্ত শর্ম্মা, হোক্কী ইন্দিয়া ধনারাজ পিলে এৱার্দ ফোর ফোরৱার্দ ওফ দি ইয়র ২০২৫ লাউথোকপদা য়াওখ্রবা নোমিনিশিং অদুনা সুখজিট সিংহ, অভিসেক, নভনিট কোর অমসুং সিলানন্দ লক্রানি।

হোক্কী ইন্দিয়া অসুন্তা লক্রা এৱার্দ ফোর অপকমিং প্লেয়র ওফ দি ইয়র (ৱুমেন অন্দর–২১)দা য়াওখ্রবশিং অদুনা সক্সি রানা, জোতি সিংহ, সুনেলিতা তোপো, কনিকা সিৱাস, হোক্কী ইন্দিয়া জুগরাজ সিংহ এৱার্দ ফোর অপকমিং প্লেয়র ওফ দি ইয়র ২০২৫ (মেন অন্দর–২১)দা য়াওখ্রবশিং অদুদা প্রিন্স দিপ সিংহ, মনমিট সিংহ, অনমোল ইকা অমসুং অর্সদিপ সিংহনি।

হোক্কী ইন্দিয়া বলবির সিংহ সেনিয়র এৱার্দ ফোর প্লেয়র ওফ ইয়র (ৱুমেন)দা নভনিট কোর, সালিমা তেতে, লালরেমসিয়ামি অমসুং হোক্কী ইন্দিয়া বলবির সিংহ এৱার্দ ফোর প্লেয়র ওফ দি ইয়র ২০২৫ (মেন)দা য়াওখ্রবশিং অদুদা হার্দিক সিংহ, সুখজিৎ সিংহ, সঞ্জে অমসুং অভিসেকনি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী জেনরেল ভোলা নাথ সিংহনা ফোঙদোকখিবদা পীগদৌরিবা এৱার্দ অসি শান্নরোইশিং, কোচ, ওফিসিয়েল অমসুং মেম্বর য়ুনিট য়াওনা মশান্না অসিদা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌখিবশিং অদুবু শক খঙবা অমদি ইকায় খুম্নবা ওইনা পীগদৌরিবনি। মখোয়না মরম ওইদুনা মশান্না অসিদা ইন্দিয়াবু মালেম পুম্বদা মশক তাকপদা নত্তনা লৈবাক অসিদা হোক্কীগী ইকো সিষ্টেমবু হেন্না মরা চেৎশিহলনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি হায়খি।

# নোংমগী ওইবা সেল্ফ দিফেন্স থাঙ–তা ত্রেনিং কম লেকচরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসন, ককচিং খুনৌ অমদি জের্মস একাদমি ককচিং খুনৌ অনীনা খুৎশম্নদুনা ঙসি নোংমগী ওইবা সেল্ফ দিফেন্স থাঙ–তা কম লেকচরগী থৌরম জের্মস একাদমি ককচিং খুনৌগী শিন্দমশঙমদা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী মহৈরোই নুপামচা অমদি নুপীমচা ৯০ হেনবগা লোয়ননা স্কুল অসিগী ওজাশিংসু শরুক য়াখি।

হায়রিবা থৌরম অসিগী মরুওইবা ওইনা থাঙ–তা তমদুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা য়েক্লবা, হায়বদি ফৎতবা লমচৎ শাজৎ, ফৎতবা চীঞ্জাক, নিষা দ্রগনচিংবা ফৎতবা হৈনবী অসিদগী করম্না ইশাবু ঙাকথোক্কদগে হায়বগী ৱাফমশিং মপুং ফানা থমখি। অদুগা মতৌ করম্না হায়রিবা ফৎতবা ময়াম অসিদগী ইশাবু ঙাকথোক্কুনা, কঞ্জদুনা সমাজ অসিবু মতৌ করম্না কনগনি অমদি লৈবাক অসিবু মতৌ করম্না কনগনি হায়বগী মরমদা মপুং ফানা লেকচর পীখি।

অরোয়বদা থাঙ–তাগী শরিৎ–শরাকগী কাঙলোনশিং মহৈরোই নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংদা তাকপি তম্বিখি।

# উনাতি হুদানা পোলিস ওপনগী টাইতল লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সি)ঃ
ইন্দিয়াগী মচিন তুমখৎল্লক্লিবী সট্টলর উনাতি হুদা য়ু এস দোল্লর ২০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা পোলিস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইতল লৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা উনাতি হুদানা অনীশুবা সিদতা লৈরিবী য়ুক্রেনগী পোরিনাবু মিনিট ৪৭ চুপ্পা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ১০–২১, ২১–১৫, ২১–৮দা মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা মালেমগী ২৮শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অমদি টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা সিদ ওইনা য়াওরিবা উনাতি হুদা অহানবা গেমদা ১০–২১দা মায়থিরবসু থংনবা গেমদা অকনবা মওংদা খুৎ হল্লক্তুনা ২১–১৫, ২১–৮দা মায় পাক্তুনা সিঙ্গলস টাইতল লৌবা ঙমখি।

পোলিস ওপন অসিদা উনাতি হুদানা টাইতল লৌবা ঙমখিবা অসিনা মহাক্কী ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জ টাইতল অনীরকশুবা ওইবা ঙমখ্রে।

উনাতিনা চহী ১৪ শুরীঙৈ মতম ২০২২দা পাঙথোকখিবা বি দব্লিউ এফ সুপর ১০০ ৱার্ল্ড টুর অমা ওইরিবা ওড়িষা ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইতল লৌবা ঙমদুনা টুর অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চহী নৌরিবী সট্টলর অমনা টাইতল লৌবা ঙম্বা ওইখিবনি।

থা অসিগী অনীশুবা চায়োলদা পাঙথোকখিবা স্বীস ওপনদা উনাতি হুদা রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচতা চাইনিস টাইপৈকী পি চিয়ুগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেমদা ২১–১৪, ২১–১৪দা মায়থিবা নঙখ্রবা মতুং টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা খুৎ হল্লক্তুনা টাইতল লৌবা ঙমখিবনি।

# ত্রাই নেসন ফ্রেন্দলিসকী ইন্দিয়াগী অন্দর–২৩ স্কৱাদ লাউথোকপদা মণিপুরদগী ৬ য়াওরে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সি)ঃ
অরুনাচল প্রদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা য়ুপিয়াদা থা অসিগী ২৮দগী ৩১ ফাওবা ইন্দিয়া, ভুটান অমসুং টাজিকিস্তাননা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর–২৩ ত্রাই নেসন ফ্রেন্দলিসকী ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৪না শাবা স্কৱাদ হেদ কোচ নৌসাদ মুসানা লাউথোকখিবদা মণিপুরদগী ৬ য়াওখ্রে।

পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাই নেসন ফ্রেন্দলিস অসিদা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৪না শাবা স্কৱাদ লাউথোকপদা য়াওখ্রবা মণিপুরদগী শান্নরোইশিং অদুদি রিক্কি মীতৈ হাওবম, সনাতোম্বা সিংহ য়াংলেম, মিদফিল্ডরদা সিভালদো সিংহ চিঙাংবম অমসুং তোম্বা সিংহ হাওবমগা লোয়ননা ফোরৱার্দতা এদিসন সিংহ থোকচোম অমসুং থোই সিংহ হুইদ্রোমনি।

ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক ৩না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাই নেসন ফ্রেন্দলিস অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৮দা ভুটান অমসুং টাজিকিস্তাননা শান্নগনি। মমাঙ চহীদা সাফ অন্দর–১৯ চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোকখ্রবা মতুং অরুনাচল প্রদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৪না শাবা স্কৱাদ লাউথোকপদা য়াওখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা দিপেস, মোহনরাজ, প্রিয়ান্স, দিফেন্দরদা দিপেন্দু, হর্স, পরমবির, রোনি, সুভম, মিদফিল্ডরদা ইবিন্দাস, লালরেমলুঙাংগা, নামতে, নিক্সন, সানন্দ, ভেঙ্কতেস, জোথানপুয়া অমসুং ফোরৱার্দতা লালথানকিমা, অজসল অমসুং সুহেলনি।

# রাজেস রামেসনা গোল্ড লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সি)ঃ হৌজিক চত্থরিবা ইন্দিয়ান ওপন এঠলেটিক্স মীটতা তামিল নাদুগী রাজেস রামেস অমসুং ভিথিয়া রামরাসনা মিটর ৪০০গী নুপা অমসুং নুপীগী টাইতল লৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী মিটর ৪০০গী ইভেন্টদা রাজেস রামেসনা ৪৫.২৬ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌবতা নত্তনা ২০২৪দা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা টাইমিং ওইখিবা ৪৫.৫৪ সেকেন্দ অদুদগী হেন্না সেকেন্দ ২৮ ফগৎপা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা এন সি ও ই ত্রিভান্দ্রমগী মনুনা ৪৫.৯৬ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং দিল্লিগী অমোজ জেকোবনা ৪৫.৯৯ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মিটর ৪০০গী ইভেন্টদা ভিথিয়া রামরাসনা ৫৩.৩১ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা জে এস দব্লিউগী রাসদিপ কোরনা ৫৩.৬২ সেকেন্দদা অনীশুবা পোজিসন অমসুং কর্ণতকাগী বিজে কুমারীনা ৫৩.৫৫ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মিটর ৪০০ অসিগী নুপাগী অন্দর–২০ ইভেন্টদা বিহারগী পিয়ুস রাজনা ৪৭.১১ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা অন্দর–১৮গী কেটেগোরিদা কর্ণতকাগী সবিরনা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC WORKS DEPARTMENT
### NIT No. CE/PWD/Tender/SASCI/2025-26/2091
**Dated, Imphal, 23rd March 2026**

TheChief Engineer, PWD Manipur, on behalf of the Governor of Manipur invites item rate tender through open tender from registered contractors of PWD for 5 no.s of works in Bishnupur Division, 9 no. of works in Imphal East Division, 7 no.s of works in Ukhrul Division, 9 no. of works in Jiribam Division, 4 no.s of works in Kakching Division, I no. of work in Kangpokpi Division, 3 no. of works in Tengnoupal Division, 19 no. of works in Thoubal Division, 5 no. of works in Senapati Division, 4 no. of works in Kamjong Division, I no. of work in Churachandpur Division, 9 no.s of works in Highway South Division.

The procurement officer is Executive Engineer of the corresponding divisions. The tender details and documents shall be available from 24/03/2026 to 30/03/2026 at the office of the corresponding Executive Engineers.

1. Bid submission start date : **24/03/2026 (at 11:00 am)**
2. Bid submission end date : **30/03/2026 (at 3:00 pm)**
3. Date & time of opening Bid : : **30/03/2026 (at 3:30 pm)**
Venue - O/o the Executive Engineer

*Endt.No. CE/PWD/Tender/SASCI/2025-26/2091*

Sd/-
**Chief Engineer,**
**PWD, Manipur.**

*SL/B(raju)/24*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
## JIRIBAM, MANIPUR

*Ref. :- Mutation Case No. 48 /SDC/JBM dated 23/03/2026*

Petitoner:-
1. Khwairakpam Premkumar Singha S/o (L) Kh Kulachandra Singh.
2. Khwairakpam Premjit Singh, S/o (L) Kh Kulachandra Singh, of Hilghat,Jiribam.

Vs

Kh. Premchandra Singh S/o (L) Kh. Kulachandra Singh, of Hilghat,Jiribam.

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE**
Dated, the 23/03/ 2026

Under section- 46(3) of M.L.R & L.R. Act 1960 the particular land situated in the revenue village no. 1-Hilghat, Jiribam having co-pattadar no.2 of Patta no 548 new covered by c.s Dag no. 169, 180 & 162 respectively measuring a total area of 0.5643, 0.0550 &
0.3700 hectares of Phourel, ingkhol class respectively; the petitioner applied to the petition to the court of SDC, Jiribam for the cancellation of the name of pattadar no.2, (Late) Kh Premchandra Singh S/o-(L) Kh. Kulachandra Singh of Hilghat, Jiribam and to mutate the name to his legal heirs(above petitioner).

Therefore, if there is any person having objection in the said cancellation and transfer of name, he or she should file in a written statement before this court within a week of publishing this notice in the newspapers.

Take notice that if any objection from anybody is received after the stipulated date, no claims will be considered by this court. The case shall be proceeded according to the relevant law of the land.

Sd/-
(Atom Bijendro Singh)
Sup-Deputy Collector,Jiribam
Jiribam Sub-Division, Manipur

SL/B(Birjit)/24

## OFFICE OF THE
## SARANGTHEM SHAGEI APUNBA CHAOKHAT THOUSIN TENGBANG LUP
**ADDRESS: CHANAMPUKHRI MAPAL, IMPHAL**
**Regd. No.: 102/SR/M/1999**

### NOTICE
**Imphal, the 23rd of March , 2026**

In continuation to notice dated the 12th March,2026, published in this newspaper, the final list of members / voter list for the election of Managing/ Executive Committee Members of the society is as under:

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. S. Momon | 24. S. Ningthemjao | 47. S. Boro | 70. S. Angoucha |
| 2. S. Komol | 25. S. Bormani | 48. S. Narhari | 71. S. Naobi |
| 3. S. Gourashyam | 26. S. Nipamacha | 49. S. Kebol | 72. S. Rajen |
| 4. S. Gourahari | 27. S. Mangi | 50. S. Bhorot | 73. S. Gandhi |
| 5. S. Biramangol | 28. S. Sagor | 51. S. Sarat | 74. S. Sobhachandra |
| 6. S. Mohori | 29. S. Bali | 52. Sh. Sharat | 75. S. Somokanta |
| 7. S. Tomba | 30. S. Heramani | 53. Sh. Sanjit | 76. S. Kullachandra |
| 8. S. Chittaranjan | 31. S. Sanatomba | 54. Sh. Sanjoy | 77. S. Gouro |
| 9. S. Krishnadas | 32. S. Mangoljao | 55. Sh. Chaobi | 78. S. Nilkumar |
| 10. S. Ibotombi | 33. S. Ibopishak | 56. Sh. Girani | 79. S. Dilipkumar |
| 11. S. Biramani | 34. S. Dewan | 57. Sh. Rameshwor | 80. S. Opendro |
| 12. S. Kunjo | 35. S. Tomchou | 58. Sh. Sanajao | 81. S. Dhanashyam |
| 13. S. Maipak | 36. S. Shivaji | 59. Sh. Achouba | 82. S. Ibomcha |
| 14. S. Naran | 37. S. Dhananjoy | 60. Sh. Inao | 83. S. Somorendro |
| 15. S. Rajamani | 38. S. Ashok | 61. Sh. Khomei | 84. Sh. Jugeshwor |
| 16. S. Lokhol | 39. S. Ramananda | 62. Sh. Ahongjao | 85. S. Govind |
| 17. S. Shyamkanhai | 40. S. Toto | 63. S. Shyamchand | 86. S. Lokendro |
| 18. S. Shelungba | 41. S. Ibohan | 64. S. Nimaichand | 87. S. Kumar |
| 19. S. Santakumar | 42. S. Shyamchandra | 65. S. Mukta | 88. S. Birendra |
| 20. S. Dhiren | 43. S. Komol | 66. S. Krishna | 89. Sh. Gandhi Singh |
| 21. S. Netra | 44. S. Khomdon | 67. S. Khutamacha | 90. S. Laxmikanta |
| 22. S. Leiphon | 45. S. Joy | 68. S. Ngouba | |
| 23. S. Mani | 46. S. Nimaichand | 69. S. Gambhira | |

All the members are requested to attend the meeting in time without fail.

*SL/B(Birjit)/24*

Yours faithfully,
**S.Somorendro**
Convenor

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC WORKS DEPARTMENT
### ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ /TENDER NOTICE No. 9
Dated, Ukhrul, the 23rd March, 2026.

The Executive Engineer, PWD, Manipur, on behalf of the Governor of Manipur invites item rate tenders in single cover/bid through open tender from registered and eligible contractors of PWD for 18 (Eighteen) Nos. of works in Ukhrul Division, PWD, Manipur.

The procurement officer is Executive Engineer, Ukhrul Division, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from 24/03/2026 to 30/03/2026 at the Office of the Executive Engineer, Ukhrul Division, PWD, Manipur.

1. Bid submission start date : **24/03/2026 (10:00 am to 4:00 pm)**
2. Last date & time of submission of tender : : **30/03/2026 (10:00 am to 2:00 pm)**
3. Date & time of opening of tender : : **30/03/2026 (3:00 pm)**

Sd/-
**Executive Engineer,**
**Ukhrul Division, PWD, Manipur.**

*SL/B(Raju)/24*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
## JIRIBAM, MANIPUR

*Ref. :- Mutation Case No. 49 /SDC/JBM dated 23/03/2026*

Petitoner:-
1. Moirangthem Malaya devi D/o-(L) Churamohan Singh, of Kamaranga,Jiribam.
2. Moirangthem Manoj kumar Singh, S/o-(L) Churamohan Singh, of Kamaranga,Jiribam

Vs

(Late) Moirangthem Churamohon Singh S/o-(L) Modonmohon Singh, of Kamaranga,Jiribam..

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE**
Dated, the 23/03/ 2026

Under section- 46(3) of M.L.R & L.R. Act 1960 the particular land situated in the revenue village no. 2-Kamranga, Jiribam having co-pattadar no.4 of Patta no 299 new covered by c.s Dag no. 1680 respectively measuring a tötal area of 0.2591 hectares of Phourel class respectively; the petitioner applied to the petition to the court of SDC, Jiribam for the cancellation of the name of pattadar no.4, (Late) Moirangthem Churamohan Singh S/o-(L) Moirangthem Modonmohon Singh of Kamaranga, Jiribam and to mutate the name to his legal heirs(above petitioner).

Therefore, if there is any person having objection in the said cancellation and transfer of name, he or she should file in a written statement before this court within a week of publishing this notice in the newspapers.

Take notice that if any objection from anybody is received after the stipulate date, no claims will be considered by this court. The case shall be proceeded according to the relevant law of the land.

Sd/-
(Atom Bijendro Singh)
Sup-Deputy Collector,Jiribam
Jiribam Sub-Division, Manipur

SL/B(Birjit)/24

### ক্রোসৱার্দ ৯৮৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | R | I | M | | U | T | A | H | | S | C | A | R | S |
| Y | O | D | A | | P | I | P | E | | T | A | L | O | N |
| P | O | L | Y | E | S | T | E | R | | A | R | G | U | E |
| E | K | E | | M | E | L | D | | C | R | E | A | S | E |
| | | | R | I | T | E | | H | A | T | | E | E | R |
| R | E | L | E | T | | | E | A | R | L | S | | | |
| E | L | A | P | S | E | | S | L | E | E | P | E | R | S |
| A | S | I | A | | L | A | S | T | S | | A | R | I | A |
| M | E | D | I | C | A | R | E | | S | T | R | O | L | L |
| | | | D | A | T | E | S | | | A | S | S | E | T |
| P | O | T | | T | E | A | | L | O | B | E | | | |
| O | P | E | N | E | D | | S | O | U | L | | V | I | A |
| E | R | R | O | R | | P | O | S | T | E | R | I | O | R |
| T | A | S | T | E | | T | I | E | D | | I | S | N | T |
| S | H | E | E | R | | A | L | S | O | | M | A | S | S |

COMBINED TUTORIALS FOR CBSE
Estd. 2007
The Largest CBSE & COHSEM Tutorial Centre In Manipur.
Sagolband Moirang Leirak Machin, Parking Imphal.
ADMISSION OPEN FOR 1st BATCH 2026
Class 11 & 12 Sc./ Arts (CBSE/ COHSEM)
1st Batch 12th March, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
2nd Batch 02th April, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
Class 8, 9 & 10 CBSE
1st Batch 12th March, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
2nd Batch 02th April, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
Subject Offers
Class IX & X :- English, Science, Social - Science, Maths, MM & Hindi
Class XI & XII Sc. :- Physics, Chemistry, Mathematics Biology & English
Class XI & XII Arts :- Geography, Pol-Science, History, Sociology, Economic & English
Van Service Hostel Available for Boys & Girls Please Contact : 9436800790
SL/B(Sush)/20 (1month)